হঙোই খোংবদসু

লিঙ্গ হোংবদসু

ব্রজেশ্বর

ক্বিজেং থাজিত্তং হোংলোক্‌পা ওম্রবদি
নিপামচাসিগী মপাক্কা কৈতুমশঙ্‌দা-
মচা কোহুনা কপ্নিবসে ঐখোয়না
উবা ফংলোয়দবনি।

অতৈদি মখোয়গী লাইবক্কা কল্লি ওমগনি—
ারবস্থ চাত্রবস্থ পে'রুকম লময়দমদা শিজগনি।

02,113RA
L5;1

হারাই খোংকদর

নিজ হোংবদর

সোগাইজম ব্রজেশ্বরগী—

ইচৌই খোংবদসু

লিঙ্গ হোংবদসু

ঐগী মরুপ মোংমাইখেম তোম্বা অমসুং

কুঞ্জমোহনগী মকমদা—।

O?, I BRA
L5;I

কোংদোক্পা— (১৯৭৫ ইং)
মৈস্নাম লক্ষীকান্ত সিংহ
মালুগ্রাম , শিলচর —২



প্রথম য়েক্পা :—
[illegible] বর্মন
[illegible] কাছাড় ।

নম্ফম:—
কো— অপারেটিভ প্রেস
শিলচর —১

মমল—লুপা মরি ।

লেখক অসিগী লাইরিক অতৈ

১। অশংবা ঈথক

২। পিদোন্না হায়জবা

হঙোই : খাংবদস্থু ॥

হৌজিক্তি হঙোইনা খোংবদস্থু

নোঙ্ তাদে,

অতিয়াগী কায়াৎ হোংদোংখ্রবা খঙদে,/

ঐগী কায়াৎ হোংলোক্লগা ঐস্থু

নোংশারক্তা নোংশা ওন্দুনা

মায়েক্লবা,

ওয়্লবদি নোঙ্ তাদবা কায়াৎতগী

নোঙ্ তানবা হোৎনবা ওমগনি।

কনাগুম্বা,

যননা কিরবদি ঐগী শক্তমদা

যন ওন্দুনা শজিক্ চামিন্নতুনা

ঐনা মাগী নাপাদা হায়গনি

নোঙ্ তারবদি

শজিক হৌরক্লনি নংগী চিঙ্গাক মরাং কাইগনি

লি ঙ হোংবদসু ।।

নোংদম্বা বিধাতাগা অহিং কয়া
তায়রুনা
করম তৌরুনা শেমখিবা খঙ্দে
জরাসন্ধ নিপাদো জরাসন্ধ স্থপী ওনহল্লে
পিক্লবা আশা অমগীতমক্ ।
অদুবু মাগী চায়বা চাম চাম চোংথোরক্কনা
লমজেন তাননা অমগী মথং অমনা
চংশিন চংশিন্দুনা চুপ্পা,

হন্দমাক্ত,
মীতুইবগী অশেংবা লাইদো
কুম্মৈদো উবদা,
শাউরুনা মকনুথী থোক্লা
মখোং অনিদো পাইরুনা
মক্রাং অনিদো শেগাইরবসু
মাগী চোৎলবা ঈফুৎতো
করিমতা শকৃষম্ কাইদনা লৈরি ।

অদুগা,
মাগী চায়বা চাম চামনা
মুংশিবগী ঈরা পিথিবদো
লেয়া মাংবা য়াদবনা
জরাসন্ধ মচা চাম চাম
চোংথোরক্লি ।

থুদম অদো উবদা,
জরাসন্ধস্থপীনা
হৌনা হৌনা নোক্লগা হায়রক্লি—
কমদৌরে, বিধাতা, হৌজিক্তি ।

চৎথিবা বাস ।।

শহরগী লম্বেলদগী চৎথি বাসশিংসে
তু-খোংনা রা ঙাংবা মফমদা ।
অতুদগী মিকপ থোরকই তেংথা থোন অমা
চাইনা তারিবা উকুল নমথাইদুনা
চংহৌদবা কাংবুদো লম্বেল মনাক্ত ফমদুনা লৈমি
উফুলমুংদা লুপতুনা,
লম্বেল মনাক্তা থোংউপ ফোংলিবা মুচি অমদি
উফুল মনমগী অঙ্‌কপা ময়াইন—
লশুক য়াম্বা সহরগী মীয়ামলক্তা থঞ্জে মথন্তনি
অতুগা শেমগৎথ নাইতোম ঙাবা ঙংহেদাং।
মনাক্ত ফমদুনা মাত্রিকশিংনা ঙাইরি চৎথিবা বাসশিংদো
অহিংনা মতমবু অস্থুম অস্থুম চিংথোক্তুনা থাপ্পা পুথে,

য়ুমগী শক্তম ॥

ময়াং কংলবা চায়াম চাতংলবা য়ুমসে
চংখি ঐঙোন্দা
অহৃগা কনখি ঐগী ইতিহাসকী লামায়দো।
মফম খণ্ডদনা ঐগী কাওচংনরবা কবিতানা
মরাং হৌরক্লি
তংতনা তারিব ইঙেন থাগী লাইজা-ঈরাগা;
য়ুমগী শুমাংদা—
কোইচং চংলম্বা হুইদো তপ্না তপ্না—
শুমাংদগী মাঙনদা কারক্লি।
অহৃগা মশাগী কায়াংদো শন্দোক্তুনা য়ুমসিদা—
ঙাইরি থৌরানগী রোমান্স।
মসিদা, ঐস্থ নংস্থ করিমতা হায়নিঙাই লৈতে
মপানগী মুংশিং অসিদগী লোখংলগা;
অহৃগী শরুকপুদি, ঐ নংস্থ অস্থম অস্থম চংখো—
নঙোন্দা মী ওইনা
অহৃদগী থোরকপা পুক্লিংদো য়ুমগী লৈপাক্সিপা—
খণ্ড হৌদনা তিনখিবদা
য়ুমসিগী শক্তম তপ্না তপ্না মথেক লানা উরকনি।

অচম্বা ঈশৈ অমা॥

হৌজিক্তা শাৎকাইরকপা অশংবা মনাদা য়েক্পা,
য়াগী নিংথিরবা মচুনা লৈতেংবা
শংবানবা সমুদ্রগী ঈথং ঈপোমরক্তা
নংগী পুক্নিং হুরবা মায়থোং থম্বালদো

করি করিগুম্বদা পুন্সগী মিকোনা,
মাংখি অতংপা লৈতনা তাইবং সমুদ্রগী ঈরাউখোলদা।
মতম অহৃদা করিগুম্বা লৈজরবা থরাইসিনা—

নংবু লোৌখৎলগা হন্না য়েংলগা হংখি—
নহাক্ অমুক চৎখিগদ্রা ?

অহৃবু লিক্রাগী মঙালরক্তা শাৎকাইরকপা নংগী মায়থেং থম্বালদো
ঙানলক্পদা ঐগী যুমদা, য়াচংবগী থাংমৈ জগোইদা
মাংখি রাহং পুম্বা ইশাগী
থনলকই—নংসু ঐগী নাক্তা লৈরি।

অহুগা ত্তপ্না তপ্না কাউরকই থম্মোইদগী
—ঐহাক্ পৃথিবীসিদা হিংলি।

সুমিৎ চপ য়ুংবা মতম ॥

সুমিৎ চপ য়ুংবা মতমদি
পাৎতা ঙাকাবা অমনা ইন্ চিংঙি।
লৌবুক্ত লৌমী অমনা যনবোৎ শুরি।
শজিক্ নিংথিনা চাবা কংথিজ্রবা ঙারাং শিথিবা
হামেং অশিবা অমা তাউরি ঈপাকৃথক্তা
লৈজবা মথা ফাকৃতোক্তুনা
সুমিৎকী মঙালয়োমদা ওন্দুনা করেম্নবগুম্।
মালেম লৈমানা লাইজা ঈপাকৃপু মথাদা কোনবগুম্
কোল্লি, ঙাকাবা অমসুং লৌমীশিং।
অচুবু মীয়ামগী সারথীশিংনা মৈথী কাপথোকৃপগুম কাপথোকৃলি
মথোয়গী পুন্সী, সুমিৎকী মঙালদগী
অসিনা হামেং অশিবসে ঈপাক্তা অতম তাউরি।

কপ্তবা শুম্লে ॥

নংগী খোপ্তা
লিক্লাগী য়াবা খোঙ্জেন—
অহুবু ইঙেন থাগী লৌমাগী তম্পাক্তা—
লেপ্লবদা নহাক্না
' মী মশক্ থঙ্দে'
অহনা লিক্লানা এটোমগী মশক্ ওনখিবদা
নংগুম্বা তলা নিপান্থক্তা লৈবা মী উন্নগা
ঐখোয়না কপ্তবা ঙমদে।

ঐনা শাজবা মুমে ৷

তপা তপা অমুম
ঐনা শাজবা মুমলে অবাবগী ঈশিংখা
ধুমাখদোরে—
হৌজিক্ ঐহাক্ কদাই লৈগনি ?

অসোমদা অহিংগী অচিকপা থুগাইহুনা
নিপা মচা অমনা কপ্নি হিরা হিরা—
চাক্ লামলে, চাক্ লামলে—হায়না
চাক্ লামলে, চাক্ লামলে—হায়না
নিপামচাসিগী তেংথাখোনলে—
আটা তন হৌবগী মনমনা—
নমথহুনা থম্বা ঙমখিদ্রে ৷
মাহনা কুপথ্রবা শরুক্ চাম্মগী শরুক অমওং
খোক্পা থাজনা কারি ঙমগনি ?

অবাবগী ঈচাউবসিনা শোক্লবা
ঐগী পোক্নাফম লমদমগী অশংবা পাম্বী .পুম্নমকসিবু
অমুক্ ফজনা ঈথক্ হৌহনবা ঙম্বা অনৌবা পাম্বীশিং
লোইনমক্ থুং অসিনা শোক্পদা—
মাংগাদোম্নিব্রা ?
থুনবদা, মিংতা ঙাংলৈনবা মচু নওনা
করি অমত্তা উত্রে ৷

অহানবগী লীলাসি থম্বা করি
অনিগুবা উৎপাসিদা—

নিপামচাহুনী মপাদো থাংবা [illegible]মাং—
মপান থোরক্লে অহিং অথেংবদা
মচাহুনী কেংবা নাওরবা থোন থাবাকা [illegible]
আঙানবদা শিজিন্নদবা লৌশিংদো [illegible]দা শিজিনবা
মসিগীতমক্ কানাদা মরাল পিসিগে ?

নংদি অশিংবনি, নংনা হায়রু—
কনিগীনো ?
ঐগী য়ুমসে অসুম অসুম—
অরাবগী—
ইশিংনা অসুম অসুম থুমখিদোরে।

থডিঙ, অহিং অথেংবসিদা—
কনাগ্ন কনবা লাক্লোই—
কোকৃথকী থরানাঁমচাক্ শিংনা
মকাদায়্না হৌনা হৌনা নোঙ্গুন্না [illegible]
লথেল অদো, মথক্কু [illegible]
অমনা অমরু নমথরা য়াদব। [illegible]।

কিমেং থাজিক্কং হোংদোকৃপা [illegible]
নিপা মচাসিগী মপানা কৈওমথঙ্‌দা—
মচা কৌহুনা কপ্লিবসে ঐখোয়না
উবা কংলোয়দবনি।
অতৈদি মখোয়গী লাইবক্তা করি [illegible]
চায়বনু চাত্রবনু পোক্কম লমদমদা [illegible]নি।

নঁংমু ।

মহাকমু ওইরম্মি নোংমা
নিংথৌগী অচান বা

লোংনা লোংনা থোং থিংলম্মি
লোংনা লোংনা চামিন্নরম্মি ।

ঙসিদি করিগীনো মহাক্না ?
নংগী বা হায়রিবা ।

নংমু ।

লোংনা লোংনা থোং থিংঙু
লোংনা লোংনা চংদু ।

ঐবু মশক্ খঙ্নবা ।

ঐদি ।

হয়ানগনু
চিনখিবা বা ওাংগনু
নখোঁ পাংখোকলু
নশানা মুণ্ডাইনবা শিনলু ।

কয়াম অশেংবা ঈশিংনো ?
নং ঐনা ভক্তি কৎলগা ।

হৌজিক্তি তুম্লেলপুম্বগী ঈশিং লৈনাংনা কুনগংখ্রে,
মীওইবা পুম্বা ওাস্থ কাকম খণ্ডে ।

মীওইবগী পুকৃকী তোর্বান্দো নিংখাই নিংখাইহন্না তারি
অহগা হায়গী অশেংবা ঈশিংদো মশক্ ওনাখ্রে ।

ঐস্থ ।

অরেম্বদা করিগীতমক্
ঐগী মাংদা মিংশেল খানলিবা ?

ঐদি
ঐস্থ নত্রবদা ।

ঐদি
চাকৃকী লৈনাংনি ।

নংগা তিন্নবা ॥
হাংদোক্লবদি থোং
কৌরকউ ঐবু
হাংদোক্লা থোং
থোন্নকনি ঐহু

নংগা

তিন্নবগী মমাংদা
মাংথিনি ঐনা
লৈপাক্লসিংগী লৈপাক্লকা
নংগী খোংথাং তানবা ।

লৈপাক্লগী ঈশৈ য়াউব্রা ?

লৈপাক্লসিনা করিমত্তা থাকৎএবদি
নংগা ওইগা মেৎকা চংমিন্নগনি ।

রামাঙ ॥

অহিং অসিদনি
ঐগী থম্মোইদগী
কয়াম নোঙ্ তারিবা ?

কোকিল অদো খোংলকত্রে
নৌছৌনা বসন্ত য়াকাইহন্নবা ।

অহুমক্কদা,
নোঙ্ অসি অস্থম অস্থম হিংগংলক্লি
ফিজোন পুন্নমক্ লৌথোক্লগ্না মন্নুংদো কাকৃত্তোকৃলি
অহুগা তোইনা তোইনা কৌরি
ঐবু ঐনা ওইনা লাকৃনবগী ।

নোঙ ঙানবগী তাইনবা মতমদা
চেজেৎ কোনশিল্লি মহাকৃপ্ন ঐনা
অহুগা চংথি মহাক্না তপ্না তপ্না ঐঙোন্দ ।

মখোয়না শাবা লাই ॥
ঐদি ?

ঐ অদো নত্রে ।

অকণবা উনানা নোংথাং কুপ্সি
নত্তে কনাগী
ঐগী থম্মোইদনি ।

মসিমক্তনা নংনা চাবা কংদবনি ।

অহুদগী ঐম্বু ।

মসিবু অচুম্ববা ?
মসিবু অচুম্বরা ?

রাহংসিগী খোংগুন লিবা
মথং মথং ঐনা
তলা অমদগী অমদা
ইলোই লোয়বা মথাগী তলাদা ;
তালাশিংসে উরে হৌজিক্তি ঐনা—
চেপ্পবম্বু চেপ্তবগুম্
কুৎলবম্বু কুৎতবগুম্
অণকপনি ! তলাশিংসে

কয়া হৈনা শাথ্রবনো ?

ঐগী ইত্তৌ উবদা—
থক্তা লেপ্লিবা নিপাহনা
নোকমী নোকমী তৌই ;
অহুগা কনাদনো নাশোন তৌই—

থিন্দে মথাগী তলাদা কাংনা বাই চাই।
অহুবু মথোশনা য়াবা লাইহুদা থুরুমদবা হুমদে ॥

লাম্বেল।।

লম্বেলগী অয়োইবা ওমখৈদা
য়েংবগী অয়োইবা চয়োলদা
উরগ্নি অনৌবা ইতিহাস অমা।

ফিজং চিংবদগী ফিজং চিংবা হৈনবা
মীনাই অদো গাড়ী খোঁহুনা চংখি;
চংলুবদগী হল্লকপগা হায়বা—
মঙ্গুংসে য়েংবা য়াদে ওসিদি।

মহৎশিনবা নিপাহনা পাল্লি।
লৈমাগী য়াথংনা লৈপাক্ পেকলি।

চংপা চংপদগী
অমম্ভ উরে
অমম্ভ উরে—
টিকেট লৈরমদাইগী
মতমগী শরুমদি
অমগা অমগা
করিমতা খেন্নদে
মসিমক্ অচকপা য়িএংনি।

মখোয়না গাড়ী খোঁহুনা চংখিবা—
মখোয়না গাড়ী খোঁহুনা হল্লকপা।

নবেনলে মাংজ্রি
নবেনলে মাংজ্রি ।
অনৌবা গাড়ী অমঙং থাসি ।
করি হায়গে, ধবল, করি হায়সি ?

আরোইবা পুং।
হামজ্রে মতম
অরোইবগী পুং বৈরকদবা।

নাকনি চিঙ্কাকী নিংতম।

বৈরকপগা
পোকুলকনি
নাম্বী লিশিং লিশিং থোহাংগা
ঐগী ঔপগী।

অজনগী হিংচাবাশিংদো
কদাইদা চেনগনো।

তোয়নমক ঐগী নোংমৈ চিংদোন্দা·
মাগী মাগী মমং তানজবা।

শিংকুপ অজু
তাইবনি নবরু।

পিজা।
মতম হুইনবগী
ইপা ইপুনা তোংলকপা যাসকী
মথক্তা তোংলগা নিপা অমনা
মীওইবগী মরমদা করি করিনো তাংলিবা।

ঐনা অয়ুম অহুম তাংলিবদো
তাই মহাক্না হংলিবদো।

নমশং অহনা
ঐনা করিমতা
করিমতা থুমলনা
তুমিন্না কবাহুনা
মহাক্না পাউহনা

মপোৎ মচৈ পুক্না
কুমথাংথ , নংথাংদা থাম্না হৈনিংবনা।
মচিন্না শোনবা শোনবাহুনা— —

ওহোক্না ওনাংখে
নোংহু তাক্নে।

ঢেংগা য়াগা কুৈম
য়েৎচ অসিদা লৈবা
চিঙ্গাকু অসে চানবা
লাকই কাংনা
য়াচংবগা ।

হনখি অমুক্
নোঙ্ ঙানখ্রিৈঙ

লম্বেল অসিদা চংপদগী
মখোং অদা অহুম অহুম শাংদোরকই
হিমালয়দগী কুমারিকা ওয়া শাংদোরকই
মশানা কুট অনি মথাগ্রতনি ।

খঙ্হৌদনা নোংমা চংলকই মৈতাল
ইমুং অহুদা হায়দোকনা অমম্বা ফিজং
মৈতালহুগী মতালনা চমমনখ্রবা মমিংনা
উহৌত্রবা করিবো খঙ্দে নিংথিনা
মশানা থাকচবা লাং অহুদা থুখি ।

মহৌশাগী মপুনা হৌনা হেনা নোক্লি ।

ঙাবোক্না মাপী মাপী মখোং নিংথিনা য়েংলি

ঋুমিদাংগী অপাইবা মালং ॥

মিংথোন অসিদা মাবু কৌরবশু

মাদি শাউরোই

মচু অসে মাগী

মপা মপুগী পিরকপনি।

অতিযাগী থাজশু মাগী শউম ফংবদা শিথরক্লি।

চাউরবা ট্রেকটারহুগী চাক'না তক্লনা চংখিবদা

শিরমদাইগী মুংশাশোয় হোন্দুনা লৈবা মতমদা

অক্লিংগী নিংথৌনা মমল তিক্লবদা

অমুক্লা পাইথোরক্লি ঋুমিদাংগী অপাইবা মালংদো

তোং ময়ামদো পুহনা

অর্থ অমগী নম্বো অর্থ অমদা থরমহনা।

ঋুমিদাংগী অপাইবা মালংগী নিংজেন

কাং হরিংগী মরক্তা হোনা হোনা লোকই।

ড্রামা লৌইরবা মিংকুপ্তা নায়ক নায়িকাশু

ভাবোক্লা মকলম্বা কম্বালথক্তা কমলবদা—

তপ্না তপ্না উরক্লি মসিংজ্ঞা—

মশা মতোমতগী কায়াংজা যেকলম্বা মচুশিং

মতম অহুদা ঋুমিদংগী অপাইবু মালংশু

মতম কুইনা কাউ থোকলুরবা মরুম লিংশিংলক্লি।

লুপা মণ্ডা ॥

স্নুংলিগী মণ্ডালয়ক্তা

লুপা মণ্ডা-মায়থোং অদো

লুপা-মণ্ডা মায়থোংগুম্না লৈতে ।

য়াচঙ্‌বগা মকুনা ঈশৈ শকৃলকই

অহুদগী মমি মতুংদা ম ম ·

অসিগুম্বা ইতিহাস করিগুম্বা মতমদা অমত্তা

ওইথি ইশানা ইশাবু ক উবা মতমদা ;

থিরি অহুর তোঙান তোঙাম্না কবিতা

মম্নুং মপান খাইদোক্কুনা অহিং-কুম্মৈ

লোইরবা মতমদা ।

খণ্ডদে, ঙমখৈথিসিদা ঙমখৈ কয়াগী বাখি য়াউরি ?

লুপা মণ্ডা-অমসুং মায়থোং অনিগী

মরক্তা হায়রিবা য়ুগী লিক্লি শাগৎখিবা অতিয়া

মপী মপা খণ্ডনা অম্নুম অম্নুম পাইখিবা।

নোংঙাল্লকপদা চোকৃথরবা হকচাংনা

ঙমখৈ অসিগী বাখিবু স্নুংশিরকই

অহুদগী তপ্না তপ্না থাইদোকই

লুপা মণ্ডাদো

মায়থোংহুদগী মহৌশাগী অতিয়া শেমহুনা ।

মতম অহুদা ঐগী কবিতাগী তম্পাক্তা

তাহনা লৈবা চংভবা লুপা মণ্ডা-দো

তপ্না তপ্না চংপা হৌরকই ।

প্রতিনিধি ॥

কমলাগী রস অদুদা
হাপচিল্লু মতমগী থাউ খজিকুং
অদুদা থোরকনি মথোন অমা ।
মহৌশাগী লৈশেম্বগী লাই তৎতনা করাওবদা
মহৈ অমত্তা পুথোক্পা ঙঃজবা মতমগী লাইসিনা
অহিংগী নোংয়াই চবুক্তা কমগা খল্লি
ওস্বোকপনি ! হৌজিকস্তু এগী যৌবনদো লৈকল্লবদি
য়েংগদবনি ফাকৃতোকু্না অনি অসিগী য়ৈনবা
মসিনা মাগী ইতিহাসকী অহানবা রাশক্নি ।

লাইরিক-শঙ্ ॥

লাইরিক-শঙ্সে মখোং মপুং ফপচিন্নুনা কয়ুক্তি
অতপ' য়ায়া হৈনিংঙবা কঙলা চংশিন্নবিশিংবু য়েংলি
তৌখান তোঙায়া ;

সন্দোমগী চক্নুনী মরক্তা হায়রি
ওবাশিংনা হাশিংগী মতৌশিংবা মায়থোং শন্দোক্লুনা
য়েংলি হুইশিনা মালেমমৈলেমাবু ;

হুংশিংনা তিংথোক্লুনা হু কামলি
অহুগা রিং মাষ্টায়না তোঙান তোঙান্বা ফুয়ানা
নং ঐগী লৈকোনবু কুপশিনলগা
তোঙান তোঙানবা মিৎ, না, খোং, খুৎ শেমগৎলি
মাগী নোংমগী শায়বা কাইত্রগা লোইরে হায়বগুম ;
অহবু বগী য়েনসে মশিং লাকৃগুমদনা মকোক্ থিনগৎলি
অহাংবা অতিয়াতয়া ।

অহিংসা শেক্লাং অমা ॥

শতাব্দীসিগী অনাবগী
খোম্বোক্ মাংখিবরা ?
শাজাই থনবা অমমবা মচুনা
থংলক্নুনা থম্লি, মন্ংগী মপাঁ,
অদুগা নংবু ঐবু তাক্লমদনা শাগৎখি,
তপ্না তপ্না অত্তোপ্পা কাথন অমা ;

মমিং তাংলবা মশাগী মচেং অমা পামজনহ্নুনা
পাইখোরকই অহিংগী অতিয়াদা

শেক্লাং অমা মকম খঙদনা;
নিংথাইরবা মকোন্ হনজেক্লমহুনা ;
অদুবু য়েংশিনখে মাগী শাথপ পুন্নমক্
অদুগা থেংজিনলি অনাবা মকোক্তো হন্না হন্না কাথনহুগী কল্লাংহুদা

অদুদগী চোক্থরবা মতমদা তাখি মাগী কান্নাংতো
হিংচাবশিংনা তোহ্নুনা থন্না কোমফ্হুগী মন্নাইদা
লোয়ননা অহিংনা তপ্না তপ্না মাগী ফিজং শব্দোক্তনা কুপশিল্লি
মাগী অশিবা কান্নাং অদো ।

কৈ হুমুবা ॥

থুংলরে মাগী খোংজিন্দা অশিবগী দূত অমা
অহুবু পোকনা পুমজৌ জৌরবা কৈ-হমুবসিনা
লৈমা তরেৎ লোয়বা লৈমাবসিনা
মগুলি লৈমা নিপানগী মগু অমা।
ময়া য়াউত্রবা, খুঙ্গিন কেনখ্রবা কৈ-হমুবসিনা
তুম হোৌগৎলকপগা নোংমগী খোদাং ওইনা মশিং থিরি মাগী লৈমা
রাংজে মাগী করিস্ত, কৌইগ থন্না মচা-মগু লৈ
তাদে মাগী মীশিংস্তু, শাঙ্গাই থম্না মচা-মগু লৈ,
অহুবু তিংখোরক্লি কারায়বা খুৎসিনা মৈগী মৈনাদা।
থনজরি মথন্তা মনিং তম্বা নবাব অমাগুম্না,
শান্নজৈ লৈমাগী লৈকোনদা অশি-তোর্ব্বন্দা লেপ্লগা
শান্নরি লৈশেম্বগী উচিশিংনা মাগী নিংখিরবা খাসমহলদা,
অচগা ঙাকৃলি মাগী কুরাংবনশিংবু, খুদম অমা অনি পিন্থনা।
শান্নবা মাগী মশিংসিনা অমত্তা উবা কংদে
মাগী নুংনাংদা খোক্লিবা মচু মচুগী ফিজং।
অহুনা শকৃলি শজিবুগী অকনবা নোংলৈ মুংশিংমরক্তা
করিমত্তা তুজুংবা পোক্তনা হরাও তায়াম্না
কদমগী মখোংদা খোংঙাকৃলে বঁশী—রাধা রাধা।

মতমগী মঙ ॥

নোঙথোং অসিগী লোয়ননা
বাহৈ কয়া তাখে
কৈপাকৃসিদা।

কদাই ?
করিমতা হোংবা লৈত্তে।

লাইরবা হায়রোয় ঙসিদি
করিমতা নংগী—
তুমিন্না মাংখিনি—
কনামক্তা তাকৃলমদনা চংখিনি

মপানগী ক্বিজেং হোংদোক্লগা।

অঙুগা ওইজগনি মতমগী কবি
কম্মিনগনি হিংচাবশিংগা ওইগা য়েংগা—
হুমিং কয়াগী মচুনা চামথোক্লবা
থাং পুকতা পুকনা ;
লম্বেলসিদা খুদী খিঙুনা
তমথু বদি ঐগী লাইএক্তা কৈতমগনু
মৈতালনা পাউথুম পিজগনি।

মৈখেৎ মচাক্ অমত্তং ৷

অহুক হুইকপে অমম্বা কাসিদা
তাম্বুনা অহুম লৈরম্মি মৈখেৎ মচাক্সে
মকম থঙ্দবনা কনানৈ কম্বিহু থৌপাক্সে ৷
হাংদোক্লবদা কাসিগী খোংসে
হুমিংকী মঙালনা তপ্পা তপ্পা উরকই
মাগী শক্তমদো
মাগী লৈকমদো ৷

ঙসিদি করিমতা বাক্রে
পোদোনগী মৈরদা মচাক্ হাপবগী তমক্ !
অহনা ইথাগী মুর্ত্তিসে অনুম অনুম
মমেক্ শেংঙক্রে ৷

ত্নাহুং ॥

হকচাংসে অশিবগুম্না কমুংথক্তা তান্নি

কম্নুংনা হন্নাওনা তমজরি

কাংথনগী মাইকৈ পুন্নমক্তা পাইরিন্না কাংশিংদা

অহিংগী অলোৎপা বারি।

তাবদা, মতমগী ঈরু হন্নানবগুম্না চংলি।

অহুব লাইশঙ্গী মোইবুংদা হংলক্কই—

নোং তানগদবা কন্নাক বাংনিবগে ?

অপুণবা ঈশৈ ॥

উরি, মচু অমওগী মচু
মীপুমপুম্বগী ঈগী ঈচেলদা
অচুবু শাম্নরি ওৎতনা লেপ্তুনা
খোঁয়রি চিংবি, ঈসৈ শাইহনা
ওমজেনে য়েংবা ঐদি
ওমজেনে' য়েংবা !ঐদি———
অহনা হনজিন হনজিম্না শকৃনিংঙি অপুনবা ঈশৈ অমওং
ইমা ———ইমা ।

ঐগী শৈরেং ॥

ঐগী পুক্নিং ভমপাক্তা শান্নহুনা লৈরি অপিকৃপ্যা অচৌবা হৈপাম্বীশিং, মমাগী ভমপাক্তা অঙাংনা শান্নহুনা লৈবগুম । মাগী শম্লাংনা কৌরি মুংথিলগী লিরি লিরি শিংপা মালং । মুংশিরি, শান্নরি, বারি কৈরাথক্তা লাংলিবা শেন্দ্রাংশিং । মতৌ মনাও খংনবগী বায়েন ভৌবা কন্নবা শেন্দ্রাংশিংনা য়েংলি মাংদা তপ্না তপ্না তারিবা হৈনৌ মনা । কুমৈ অদো উবদা মখোয়না ঐগী ইচান্নুপী গুম্না য়েংলি ঐবু তুমিন্না ঐবু উহনদনা । করম্বা নাশোন্না অহুদগী পুন্না মকোন তন্না পাইশিনখি হরাও হরাওনা অহুনা ঐনা পামজদবনি, ইথুনসে থাদোক্তনা চংপা ।

মুমিংকী মঙালনা কুপশবা পুথ্রো ॥

মুমিংকী মঙালনা কুপশবা পিরুবা পুথ্রোশিং ঐগীনি ।
ঐনা য়াম্না থবক্তানা তৌজবা পুথ্রোনি ।
মাগী চাংজোরা মখয় অমদগী লৈরাংনি,
ঐনা থাজবা, কক্রিশুবা মহুৎশগী । কক্রিশুবা ঈশাকপী
করিগুম্বা তাবা তাবা কাদগী, কক্রিশুবদা তাব তাদবা কাদগী
শেমজবা মাতোমদো ঐগী মুক্তিংদি শেনদি
শেমজবা, শাবঙপী, থাজবা, শ্রেদজবা — পুন্নবক ঐগীনি
অহুবা য়াক্লবা মখোং কায়হুনা থোৎরুপা মুমিংনা
ঐগী পিরুবা পুথ্রোশিং উবদা য়েংলবা মঙালসা
ঐগী লৈকমদু মুক্রোনবী থিজুনা তাকলক্নি ।
পিরুবা পুথ্রোশিংগী শেংলবা ঈশিংশিনা
তথা তথা শকুয়রুমকগী শকম লৌরকই ।
নং ঐগী শকুকমগী মমি লোয়না উরকই
নংনা করি হায়খিবা, ঐনা করি চাখিবা ?
ঈশিং অসিগী থনদা থাংগৎতুনা ওনবদা
চাংজো শাংলিবা লৈরাংগী লৈকাশিং
মাগী মাগী কংকম্ থোক্পা ফিদাশিং
কনানন্নু কনাগী বায়েন থৌদা তাইরমদে ।

মুঙাইবা মাখল ।।

হনক মরকসে থনবরা
অময় অমুম মুঙাইরক্রে ।

মমানা মচা পল্লি
মচানা মমাগী তম্পাক্তা অগোই শান্নি ।

মপানগী অমবা নমথেক্‌না চংঙক্লি
থাবলগী মশেক অমা মঙুংতম্লা ঐগী মৎমগী ।

থোং হাংদোক্লগা য়েংবদা
ভমাংদা নোঙ তাবা হৌরক্লে
খুইথক্লবা লৈরাংশিংসু ভেক্‌থংলক্লে ।

২৪।৭।৭৫ইং

